# কোভিদ ভেক্সিন মেন্দেট অমসুং পেন্দমিক্কী অতৈ অথিংবশিংগী মায়োক্তা অমেরিকান লিশিং কয়ানা ৱাশিংতনদা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



ৱাশিংতন, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মেন্দেটশিং অমসুং পেন্দমিক্কী অতৈ অথিংবশিংগী মায়োক্তা য়ু এসকী মফম কয়াদগী মীওই লিশিং কয়ানা ৱাশিংতন দি সীদা পুন্দুনা য়ানিংদবগী খোঙচৎ চৎখ্রে। হন্দক্তা য়ু এসতা কোভিদ কেসশিং কা হেন্না ৱাংখৎলকপগা লোয়নননা লৈবাক অসিনা মায়োক্লরক্লিবা হেল্থ ক্রাইসিস হেন্না লুশিল্লকপা উবদা মীয়াম্না নীংবা কায়রকপদগী খোঙথাং অসি লাকপনি।

নোংমাইজিং নুমীৎতা পাঙথোকখিবা "দিফিট দ মেন্দেটস: এন অমেরিকান হোমকম্মিং" কৌবা খোঙচৎতা প্রোটেষ্টরশিংনা ৱাশিংতন দি সীগী ৱাশিংতন মোন্যুমেন্টতগী লিঙ্কন মেমোরিএল ফাওবা চৎতুনা মখোয়না কোভিদ-১৯গী মেন্দেটশিংবু য়ানিংদবা উৎখি।

য়াল্লবা মীয়ামগী খোঙচৎ অদু ভেক্সিন মেন্দেটশিং, ভেক্সিন পাসপোর্টশিং অমসুং অঙাংশিংদা ভেক্সিন কাপ্পা অমদি পেন্দমিক্কী অতৈ অথিংবশিংগী মায়োক্তা পাঙথোকখিবনি। খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদা ফায়র ফাইটরশিং, ওজাশিং, ফাষ্ট রেস্পোন্দরশিং, এন্টি-ভেক্সিন এক্টিভিষ্টশিং অমসুং অতৈ গ্রুপশিং য়াওখি।

খোঙচৎ অদুগী ওর্গনাইজরশিংনা ইভেন্ট অদুগী ৱেবসাইটতা ফোঙদোকখিবদা, পর্সনেল সোভরেন্টি কন্নবা অমসুং মেদিকেলগী ওইবা নম্ফমগী ওর্দরশিং, মেন্দেটশিং অমসুং অচান-মীরাইগী থৌওংশিং লেপহন্নবগী পান্দমগা লোয়নননা ঐখোয়না ঈংনা চিক্লা পুল্লিবনি। খোঙচৎ অদু ৱাশিংতন দি সীদা ভেক্সিন মেন্দেট চৎনহনখিবা মতুং চয়োল অমা কান্নরগা পাঙথোকখিবনি।

ইন্দোর বিজিনেসশিংগী পেত্রোনশিংবু ভেক্সিন কাপ্লে হায়বগী প্রুফ উৎপা মথৌ তাহল্লিবা ভেক্সিন মেন্দেট অদু কোভিদ-১৯ কেসশিং অমসুং কা হেন্না লৌনগনবা ওমিক্রোন ভেরিয়েন্টকী ইনফেক্সন ৱাংখৎলকপদগী চেকশিন থৌরাং ওইনা চৎনহনখিবনি।

বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্না এন্টি-পেন্দমিক রেগ্যুলেসনশিংগী মতাংদা লৈবাক শিন-থুংনা অকনবা দিবেট চথরিঙৈদা অচৌবা বিজিনেসশিংগা মরী লৈননা চৎনহনখিবা ভেক্সিন নৎত্রগা টেষ্ট মেন্দেটপু থা অসিগী অঙনবদা য়ু এস সুপ্রীম কোর্টনা থিংজিনখিবা মতুংদা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না ৱাশিংতনদা খোঙচৎ অসি পাঙথোক্লিবনি।

কঞ্জার্ভেটিভ-মেজোরিটি লৈখিবা হায় কোর্টকী ৱারেপ অদুনা হায়খি মদুদি, হ্বাইট হাউসনা ইমপ্লোয়ী ১০০ নৎত্রগা মসিদগী হেন্না লৈবা য়ু এসকী বিজিনেসশিংগী ৱার্করশিংবু তঙাইফদনা ভেক্সিন কাপকদবনি নৎত্রগা চয়োল খূদিংগী কোভিদ-১৯ টেষ্টতা নেগেটিভ ওইবগী সর্টিফিকেট উৎকদবনি হায়বা ওক্যুপেসনেল সেফ্টি এন্দ হেল্থ এদমিনিষ্ট্রেসন (ও এস ঐচ এ)গী রুল অসি নমদুনা চৎনহন্নবা হোৎনদুনা মসিগী ওথোরিটিগী ৱাংমদা খোঙ থাংজিল্লে।

কোরোনাভাইরসকা মরী লৈনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা অমেরিকানশিংগী মরক্তা খাইবুং খাইবুং তান্নরকখিবগা ঈরোয়নননা কোর্টনা গভর্ণমেন্টকী মায়োক্তা ৱারেপ লৌখিবনি। অমেরিকান সেক্সন কয়ানা মীয়ামগী পুন্সিদা পেন্দমিক অসিনা পীরিবা চৈথেং কয়াদা পেন্নরকখিদবনি।

হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা হায়খি মদুদি, কোভিদ পেন্দমিক্লা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী মীয়াম পেন্নদ্রে অমদি ৱারে হায়বসি মহাক্লা খঙই। মহাক্লা পাউমীশিংদা মখা তানা হায়খি মদুদি, চহী অনী চুপ্পা পেন্দমিক অসিনা মীয়ামদা ফিজিকেল, ইমোসনেল অমসুং সাইকোলোজিকেল প্রোব্লেমশিং মায়োক্লহল্লকখিবদা মীওই কয়া মদুদা খাঙবা ঙম্নদ্রে হায়বসিসু মহাক্লা খঙই। তৌইগুম্বসুং পেন্দমিক অসিবু থেংনবদা য়ু এসনা শীংথানিংঙাই ওইনা খুম্মাং চাউশিনবা ঙম্লে অমসুং মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসন্না ভেক্সিনেসন কায়দনা চথবা পাম্মী হায়নসু প্রসিদেন্ট বাইদেননা ফোঙদোকখি।

সেন্টর ফোর দিজিজ কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সন (সী দি সী)গী দেটা মতুংইন্না ইলিজিবল ওইবা অমেরিকান অপূনবগী শরুক মরি থোকপগী অমরোম হৌজিক ফাওবা কোভিদ-১৯গী মায়োক্তা ভেক্সিন কাপত্রি। য়ু এসতা ওমিক্রোন ইনফেক্সন কেসশিং ফেব্রুৱারী থাখায় চল্লকপদা খ্বাইদগী ৱাংলকপা য়াই হায়না এক্সপার্টশিংনা ফোঙদোকখ্রবনি।

# কেনয়াদা অল-শাবাবকী মিলিটেন্টশিংনা ট্রক ৮ মৈ থাখ্রে



নাইরোবি, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): কেনয়াগী সমুদ্র মপানগী কাউন্টি লামুগী হন্দি টাউনদগী কিলোমিটর ২৯ লোম লাপ্পা মফম অমদা অল-শাবাবকী মিলিটেন্টশিং ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনবা খুৎলায় পায়বা মীওইশিংনা কন্সত্রক্সন ভেহিকল অমসুং ইক্বিপমেন্ট ৮ মৈ থাখ্রে হায়না গভর্ণমেন্ট ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লামু কাউন্টিগী কম্মিস্নার ইরুঙ্গু মচারিয়ানা নোংমাইজিং নুমীৎতা ফোঙদোরকখিবদা, ট্রকশিং অদু হৌজিক লামু পোর্ট সাউথ সুদান ইথিওপিয়া ট্রান্সপোর্ট (এল এ পি এস এস ঈ টি) কোরিদোর প্রোজেক্ট এক্সেস রোদ শেমগৎ-শাগৎলিবা চাইনা কম্যুনিকেসন্স কন্সত্রক্সন কম্পনি (সী সী সী সী)গীনি। থৌদোক অদুদা মীশি-মীনাশিং থোকখিবদি লৈতে হায়না কম্মিস্নার মচারিয়ানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, মফম অদু মোবাইল নেটৱার্ককী খুদোংচাদবা কয়া লৈ। মদুনা পুলিস ওফিসরশিং অমসুং গ্রাউন্দগী য়ুনিটশিংদা পাউ ফাওনবা ঙমহনখিদে। তৌইগুম্বসুং এট্রেক্করশিং অদুবু খোঙ্গুল লীবগা লোয়নননা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাংশিং কনখৎহনখ্রে।

মচারিয়ানা হায়, এট্রেক্করশিং অদুনা কন্সত্রক্সন ইক্বিপমেন্ট মাঙহন তাকহনখি। গ্রাউন্দদা লৈরিবা ওফিসরশিংদা পাউ পীনবা হোৎনবা হায়বসি অরুবা অমা ওইখি। তৌইগুম্বসুং সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা গননেমশিং অদুবু তান্নরি। মখা তাবা অকুপ্পশিং হেক ফংবগা খঙহনগনি। সিক্যুরিটি রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না খুৎলায় মতিক চানা পায়বা গনমেনশিংনা অয়ুক পুং ৪ তাবা মতমদা মিনি-কন্সট্রক্সনদা লৈবা গাড়ী পার্কিংদা এট্রেক তৌখি। মখোয়না কেনয়া দিফেন্স ফোর্সকা খুৎ থোক্লখিবগা লোয়নননা গেসোলিন বট্টলশিং লংশিনবদগী ইক্বিপমেন্ট অয়াম্বা মৈ চাকখি। মফম অদু কেনয়া দিফেন্স ফোর্সনা ঙাক শেনবনি।

গভর্ণমেন্টশিং অমসুং কেদি এফকী মরক্তা মফম অদুদা পুং ২ হেন্না নোংমৈ কন্না কাপ্লখি। মদুদগী মিলিটেন্টশিং অদু হন্দোকখি অমসুং মখোয় বোনি ফোরেষ্টতা অমুক চঙশিনখি। মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ওফিসরশিংনা ফোঙদোরকপদা, মফম অদুদা লৈরিবা নেটৱার্ককী প্রোব্লেমশিংনা মরম ওইদুনা এট্রেক তৌরকপা মতমদা মখোয়না অহেনবা ফোর্সশিং কৌশিনবা ঙমখিদে। এরিয়া অসিদা নেটৱার্ক লৈতে। অদুনা মফম অসিদা টেররিষ্ট থেংনবদা মায়োক্লরিবা মরুওইবা ইস্যুদি নেটৱার্ক ফংদবা অসিনি। ঐখোয়না বেকঅপ কৌরবসু নেটৱার্ককী প্রোব্লেম অসিনা মরম ওইদুনা লাকপদা মতম থিন্থখি।

# লিবিয়াদা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিংগী রিসেপসন সেন্টর হাঙখ্রে

ত্রিপোলি, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): লিবিয়াগী কেপিটেল ত্রিপোলিদা মরুওইনা নুপী অমসুং অঙাংশিংগীদমক্তা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিংগী রিসেপসন সেন্টর হাঙলে হায়না লৈবাক অসিগী ফোরেন মিনিষ্টরনা লাউথোকখ্রে।

ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা ফোঙদোরকপদা, ইন্টরিয়র মিনিষ্টর খালেদ মাজেন অমসুং ফোরেন মিনিষ্টর নাজলা মাঙ্গোশনা শরুক য়াখিবা থৌরম অমদা অনৌবা সেন্টর অদু হাঙখি। এজেন্সীনা মিনিষ্ট্রি অসিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়, মী ১,৫০০গী কেপাসিটি ওইবা অমসুং নুপী সিক্যুরিটি ওফিসরশিংনা চলাইবা সেন্টর অদুনা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিং মরুওইনা নুপী অমসুং অঙাংশিংদা তঙাইফদবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং মেদিকেল সর্ভিসশিং ফংহনগনি।

রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়, অনৌবা সেন্টর অদুদা ক্লিনিক অমা, স্কুল অমা, কিন্দরগার্টেন অমা, স্পোর্টস ফেসিলিটি অমা, কম্প্যুটর লেবোরেটরি অমা অমসুং ওর্ফান দোর্মিটরি অমা য়াওই। মাঙ্গোশনা হায়, সেন্টর অমদি মসিগী ফেসিলিটিশিং অমসুং সর্ভিসশিং অসিনা গভর্ণমেন্ট ওফ নেসনল য়ুনিটিনা ইমিগ্রেন্টশিংগী ক্যের লৌই হায়বসি উৎলি। গভর্ণমেন্ট অসিনা ইমিগ্রেন্টশিংগী লিভিং কন্দিসন ফগৎহনবা, মখোয়গী দিগ্নিটি ঙাক শেনবা অমসুং ইন্টরনেসনল হ্যুমেনিটরিয়ন এগ্রীমেন্টশিংগী মতুংইন্না মখোয়গী রাইটশিংবু ঈকায়খুম্নবা পান্মী।

কুমজা ২০১১দা লৈখিদ্রবা লুচিংবা মুৱামর গাদ্দাফিনা তুখ্রবা মতুংদা ইনসিক্যুরিটি অমসুং কাং-খোং চাইবগী ফীভমদা লৈরক্লবা লিবিয়া অসি মেদিটরিনিয়ন সী লাল্লগা য়ুরোপকী লৈবাকশিংদা চৎপা পাম্বা ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিংনা খ্বাইদগী হেন্না পাম্বা দিপার্চর মফমনি। ইন্টরনেসনল ওর্গনাইজেসন ফোর মাইগ্রেসনগী মতুংইন্না কুমজা ২০২১দা ইলিগেল মাইগ্রেন্ট ৩২,০০০ হেন্ন রেস্ক্যু তৌখি।

# জপানগী অহেনবা প্রিফেকচর ১৮দসু ক্বাজি-ইমর্জেন্সি থম্লগনি



টোকিও, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): জপানদা খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সনশিং লাকশিন্নবা লৈবাক অসিগী প্রিফেকচর ৪৭কী মনুংদা ৩০ হেনবদা ক্বাজি-ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি থম্লবা য়াই হায়না নিংথৌকাবা নুমীৎতা সিনিয়র গভর্ণমেন্ট ওফিসরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিং অসিগী মতুংইন্না প্রিফেকচর ১৮দসু থৌরাং অসি চৎনহন্নবা হায়রকপদগী খোঙথাং অসি লাকপনি। টোকিও অমসুং প্রিফেকচর ১৫দা অথিংবশিং থম্বগী মথক্তা অহেনবা এরিয়াদা লৈরিবা রেষ্টুরেন্টশিং অমদি বারশিংদসু অথিংবশিং থম্ননবা থৌরাংগী মতাংদা এক্সপার্টশিংগী ওইবা এদভাইজরি পেনেল অমগা তান্নরবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা লৈবাকপোকপা নুমীৎতা হৌনবী মতুংইন্না ৱারেপ লৌরগনি। য়াম্না লৌনগনবা ওমিক্রোন ষ্ট্রেননা কোভিদ-১৯ কেসশিং কা হেন্না হেনগৎহল্লকপদগী জপাননা লাইচৎ অসিবু থেংননবা হোৎনরকপদা প্রিফেকচরশিংদা ক্বাজি-ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি চৎনহল্লকপনি।

থাংজ নুমীৎতা লৈবাক অসিদা অনৌবা ইনফেক্সন ৫৪,৫৭৬ থেংনখি। ক্বাজি-ইমর্জেন্সি থৌরাংশিং চৎনহনবা পাল্লিবা প্রিফেকচর ১৮গী মনুংদা অৱাং ইথং থংবা মরুওইবা ঈথৎ হোক্কাইদো, ওসাকা অমসুং কিয়োটো অমদি নোংচুপ থংবা জপানগী হিয়োগো লোয়নননা খা নোংচুপ থংবা ফুকোওকা য়াওরি। অতৈ প্রিফেকচরশিং অদুদি ওমোরি, য়ামাগাতা, ফুকুসিমা, ইবারাকি, তোচিগি, ইশিকৱা, নাগানো, শিজুওকা, শিমানে, ওকায়ামা, সাগা, ওইটা অমসুং কাগোশিমানি।

নিংথৌকাবা নুমীৎতা প্রাইম মিনিষ্টর ফুমিও কিশিদানা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভস বডজেট কম্মিটিগী সেসনদা ফোঙদোকখিবদা, ঐখোয়না ওমিক্রোন ষ্ট্রেনগী মেট্টরদা য়ুম্ফম ওইরগা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎকনি। থৌরাংশিং অদুগী মরুওইবা শক্তমশিংদি লায়না দিটেক্ট তৌবা অমসুং লায়না ঙন্না লায়েংবনি।

প্রিফেকচর কয়ানা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা ক্বাজি-ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি থম্বীনবা হায়জরকখি হায়না প্রেস কনফরেন্স অমদা চীফ কেবিনেট সেক্রেটরি হিরোকাজু মাটসুনোনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুংইন্না গভর্ণমেন্টনা প্রিফেকচরশিংগী ৱাফম অসিগা মরী লৈননা লৌখৎফম থোকপশিং য়াম্না থুনা লৌখৎলগনি।

নিংথৌকাবা নুমীৎ ফাওবদা জপানগী প্রিফেকচর ১৬তা ক্বাজি-ষ্টেট ওফ ইমর্জেন্সি চৎনখি। অতৈ প্রিফেকচর কয়ানা হায়জরিবদু গভর্ণমেন্টনা য়াবা তারবদি লৈবাক অসিগী প্রিফেকচর শরুক অহুম থোকপগী অনীদা হেন্না কনবা এন্টি-ভাইরস থৌরাংশিং চৎনহল্লগনি। থৌরাংশিং অদুগী মখাদা প্রিফেকচরশিং অসিগী গভর্ণরশিংনা রেষ্টুরেন্টশিং অমদি বারশিং থোঙ ঙন্না লোনহনবা অমদি অলকোহোল সর্ভ তৌবদা লিমিট থম্বা নৎত্রগা অলকোহোল য়োলহন্দবা ঙম্লগনি।

# সিওলনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক, মিসাইল এক্টিভিটিশিং মোনিটর তৌরি

সিওল, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল এক্টিভিটিশিং চেকশিন্না মোনিটর তৌরি হায়না সাউথ কোরিয়াগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমীৎতা ফোঙদোকখ্রে।

প্যোংয়াংনা হৌখিবা চয়োলদা মশানা ইঞ্জখিবা ন্যুক্লিয়র অমসুং লোং-রেঞ্জ মিসাইল টেষ্টশিংগী অথিংবা লৌথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুংদা সাউথ কোরিয়াগী য়ুনিফিকেসন মিনিষ্ট্রিনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি।

জন্যুৱারী ১৯দা নোর্থ কোরিয়াগী রুলিং ৱার্করস পার্টিগী পোলিটব্যুরো মীফম অমা লৈবাক অসিগী লুচিংবা কিম জোং-উননা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখি অমসুং মীফম অদুনা ৱাশিংতনগী নোর্থ কোরিয়াবু তাথিবা পোলিসী পল্লদুনা মতম খরগী ওইনা লেপ্লকখিবা এক্টিভিটি পুম্নমক অমুক হৌনবা খন্ননবা ৱারেপ লৌখিবনি।

নোর্থ কোরিয়ানা কুমজা ২০১৮দা দিসমেন্টল তৌখ্রে হায়খিবা পুঙয়ের-রি ন্যুক্লিয়র টেষ্ট সাইট লৈবাক অসিনা মখা তানা চলাইরিবা মাল্লি হায়খিবা রিপোর্ট অমগী মতাংদা হংবদা মিনিষ্ট্রি অসিগী স্পোক্সপর্সন লী জোং-জূনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটিশিংগা মরী লৈনবা অকুপ্পা ইন্টল্লিজেন্স মেট্টরশিং কনফর্ম তৌবীয়ু য়াখিদে। তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্টনা মরী লৈনবা খোঙথাংশিং মোনিটর তৌরি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

সিওলদা লীনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, সাউথ কোরিয়া-য়ু এস কোওর্দিনেসনগী মখাদা গভর্ণমেন্টনা নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র অমসুং মিসাইল এক্টিভিটিশিং কুপ্পা য়েংশিল্লি। মসিদা নত্তনা লৈবাক অসিনা মিলিটরি পেরেদ অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরি হায়বা ইঙ্গিৎ কয়াগী মরক্তা নোর্থ কোরিয়াগী নেসনল হোলিদেশিং ওইরিবা কিম জোং-উনগী লৈখিদ্রবা অপোকপা কিম জোং-ইলগী ৮০শুবা মপোক কুমওন নুমীৎকী থৌরমবুসু কুপ্পা য়েংশিল্লি।

# কেমরুনগী কেপিটেল সিটিদা লৈবা নাইট ক্লব মৈ চাকপদা মীওই ১৬ শিরে




য়াওন্দে, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): কেমরুনগী কেপিটেল সিটি য়াওন্দেদা লৈবা নাইট ক্লব অমা মৈ চাক্লকপদগী মীওই ১৬ শিখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী কম্যুনিকেসন মিনিষ্টর রেনে ইম্মান্যুএল সাদিনা ফোঙদোরক্লি।

সাদিনা ফোঙদোরকখিবদা, মৈ চাকপগী থৌদোক অদু লিভস নাইট ক্লব য়ৌবদা নোংমাইজিং নুমীৎকী নোংয়াই মতুং পুং ২.৩০ রোম তাবদা থোকখিবনি। মফম অসিদা মহৌশাগুম্না শীজিন্নখিবা ফায়রৱার্কশিংনা থোকহনখিবা পোকখায়বা কয়ানা হৌহনখিবা মৈ অদুনা অহানবদা বিল্ডিং অদুগী সিলিং চাকখি। মদুনা য়াম্না হৌবা মখোলগা লোয়নননা পোকখায়বগী থৌদোক অনীরক থোকহনখি। মদুদা নাইট ক্লব মনুংদা লৈরিবা মীয়াম মীপায়নখি। মীওই ৮ ফীভম লুনা শোক্তুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নখি।

উহৌবা কয়ানা এজেন্সীদা ফোঙদোরকখিবদা, নাইট ক্লব মনুং অদু মৈখুনা ফুনজিনখিবদগী অমত্তা ঙাইরবা মদুগী থোকফম তম্না চেন্থোক্লরকখিবদা নহা ওইরিবা মীওই ১০০ হেন্না অমগা অমগা চপখায়নখি অমসুং নেৎশিন্নখি। শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরবা মতুংদা রিলিজ তৌরকখিবা অর্নোল্ড শন্বা কৌবা মীওই অমনা নাইট ক্লব অদু মৈরি কয়া থোক্লা মৈ চাকখি অমসুং মদু উবদা মীপায়নিংঙাইনি হায়না ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুংইন্না সেকেন্দ ১০গী মতুংদা নাইট ক্লব অদু সিলিং অপুন্বা মৈ চাকখি। মথংগী মিনিট ৭কী মতুংদা ঐখোয়না সিঙ্গর দোর অমদা চেনশিনখি। মীশিংনা অমগা অমগা ইন্থোক্লদুনা থোঙ ফংনবা হোৎনখি।

# হূইগী মীট চাবা থিংনবগী বিল সিওল সিটি কাউন্সীলদা প্রপোজ তৌখ্রে

সিওল, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): হূইগী মীট চাবা থিংনবগী লোং-টর্ম প্লান অমা শেমদুনা মদুবু মেয়রনা থবক্তা ওন্থোকপগী ৱাফম য়াওবা ওর্দিনান্স বিল অমা সিওলগী ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মেম্বর অমনা প্রপোজ তৌখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমীৎতা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

কাউন্সীলগী মেম্বর ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী রুলিং দেমোক্রেটিক পার্টিগী মেম্বর য়াং মিন-গ্যুগী ৱারোল পল্লরদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীনা হায়, য়ুমদা য়োকপা শাশিংবু ইমুংগী মেম্বরশিং ওইনা খন্নবগী কলচর অসি মালেম শিনবা থুংনা চৎনরবনি। কেপিটেল সিটি অসিদা এনিমেল ৱেলফ্যেরগী থৌরাংশিং ফগৎহনবগী থবক পায়খৎপগা লোয়নননা ইস্যু অসিগী মতাংদা এৱ্যেয়র্নেস হেনগৎহনগদবনি।

চহী চা কয়া সাউথ কোরিয়াদা হূইগী মীট অসি মরুওইবা চীঞ্জাক অমা ওইবনা মসিবু চাবা অমসুং থিংবগী ৱাফম অসি লৈবাক অসিদা ৱাথোক অমা ওইদুনা লাক্লি। সাউথ কোরিয়াগী এনিমেল প্রোটেক্সন লোনা হূই অমসুং হৌদোংশিং তমথিনা হাৎপা থিংবগী পান্দম থল্লি। তৌইগুম্বসুং লো অসিনা হূইগী মীট চাবদদি অথিংবা থম্বা লৈতে। য়ুমদা হূই অমদি হৌদোংশিংবু নুংশিনা য়োক্লবা মীগী মশীং হেনগৎলকখিবগা লোয়নননা হৌখিবা চহী খরা অসিদা হূইগী মীট চাবা থিংবা পাম্বা মীগী মশীংসু শীংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলকখি।

এগ্রিকলচর মিনিষ্ট্রিগী দেটা পল্লদুনা য়াংনা হায়, কুমজা ২০২০দা সাউথ কোরিয়াগী ইমুং মিলিয়ন ৬.৩৮ হায়বদি লৈবাক অসিগী অপূনবা ইমুং চাদা ২৭.৭না হূই অমসুং হৌদোংশিং নুংশিনা লোয়নখি। মথং থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিওল সিটি কাউন্সীলগী সেসনদা বিল অদু ভোট লৌনরবা য়াই।

# বেরেক্তা নোংমৈ কাপ্পদগী বর্কিনা ফাসো শীন-থুংনা কর্ফিয়ু থমখ্রে




ঔগাদৌগৌ, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): বর্কিনা ফাসোগী প্রসিদেন্ট রোক মার্ক খৃষ্টিয়ন কাবোরেনা খুৎয়েক পীবা দিক্রী অমগী মতুংইন্না বেরেক খরদা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং থোকখিবদগী বর্কিনা ফাসো শীন-থুংনা কর্ফিয়ু থমখ্রে।

মিনিষ্টর ওফ নেসনল এদ্যুকেসন্না থাদোরকখিবা অতোপ্পা ষ্টেটমেন্ট অমনা নিংথৌকাবা অমসুং লৈবাকপোকপদা লৈবাক অদুগী স্কুলশিং থোঙ লোনগনি হায়না লাউথোকখি। কেপিটেল ঔগাদৌগৌ অমসুং অতৈ সিটিশিংদা লৈবা বেরেকশিংদা অয়ুক অঙনবদা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল কয়া তাখিবা মতুং নোংমাইজিং নুমীৎকী নুমীদাং পুং ৮.৩০দগী অয়ুক পুং ৫.৩০ ফাওবা লৈবাক শীন-থুংনা কর্ফিয়ু লাউথোকখিবনি। বর্কিনা ফাসোগী গভর্ণমেন্টনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু কনফর্ম তৌখি। তৌইগুম্বসুং আর্মিনা লৈঙাক পায়শিনখ্রে হায়না সোসল মীদিয়াদা ফোঙদোক্লরকখিবা কয়াগী মতাংদদি গভর্ণমেন্টনা পাউখুম পীয়ু য়াখিদে।

ষ্টেট টেলিভিজনদা ৱা ঙাংখিবা অদুদা দিফেন্স মিনিষ্টর জেনরেল বার্থেলেমি সিম্পোরেনা ফীভম লাকশিল্লে হায়না লাউথোকখি অমসুং লাম্মীশিংনা প্রসিদেন্ট ফাজিনখ্রে হায়বা তোকঙাশিং মহাক্লা য়াখিদে। লোকেল ছোর্সশিংগী মতুংইন্না নুমীৎ অদুগী অথেংবদা ঔগাদৌগৌদা লৈবা বর্কিনা ফাসোগী রুলিং পার্টিগী হেদক্বার্টরস প্রোটেষ্টরশিংনা মৈ থাখি। ঈরাং অদুগা মরী লৈননা মফম কয়াদা ইন্টর্নেটসু লেপহনখি। ইকনমিক কম্যুনিটি ওফ ৱেষ্ট অফ্রিকান ষ্টেটস (ঈ সী ও দব্লিয়ু এ এস)না পূক্লিং ফাথননবা অপীল তৌবগা লোয়নননা প্রসিদেন্ট কাবোরেবু শৌগৎপা ফোঙদোকখি।

# নোং কন্না চুবদগী মীওই ৭ শিরে

ইস্লামাবাদ, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): হন্দক্তা পাকিষ্টানগী অৱাং নোংচুপ থংবা খাইবর পাখতুনখ্বা প্রোভিন্সতা নোং কন্না চুখিবগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭ শিখ্রে অমসুং অতৈ ১৬না অশোক-অপন নংখ্রে হায়না প্রোভিন্সিএল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (পি দি এম এ)না ফোঙদোরক্লি। ইরাই নুমীৎতগী প্রোভিন্স অদুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা লেন্দস্লাইদশিং অমসুং য়ুম নীংখায়বগী থৌদোকশিংদা শিখিবা মীওইশিংদুগী মনুংদা নুপী অমসুং অঙাংশিং য়াওখি। নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা য়ামদ্রবদা য়ুম অমসুং বিল্ডিং ১৯ মচেৎ ওইনা নত্রগা মপুং ফানা অমাঙ-অতা থোকখি হায়রি।

# টর্কিদা উন কন্না তাবদগী ফ্লাইটশিং অমসুং রোদ ট্রাফিকতা অকায়বা চাউনা থোকখ্রে

অঙ্করা, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): মরুওইবা সিটিশিং ওইরিবা ইষ্টানবুল অমসুং অঙ্করা য়াওনা টর্কিগী মফম কয়াদা উন কন্না তাবদগী ফ্লাইট সর্ভিসশিং অমসুং রোদ ট্রাফিকতা চাউনা অকায়বা থোকখ্রে।

মেটিওরোলোজিশিংনা অঙ্গৎবগী ফীভম অদু মথং চয়োলগী অরোইবা ফাওবা চৎপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখ্রে। মেটিওরোলোজিষ্ট অদিল টেকনা নোংমাইজিং নুমীৎতা এজেন্সীদা ফোঙদোকখিবদা, টর্কিদা হৌজিক পোলর ভোর্টেক্সকী ফীভম অমা মায়োক্লরি। লৈবাক অসিগী প্রোভিন্স খরদা টেম্পরেচরগী চাং মাইনস দিগ্রী সেলসিয়স ১৪দা হায়থরকপা য়াই। অঙ্গৎবগী ফীভম অসি চয়োল অনীরোম চৎপা য়াই।

মসি হৌখিবা চহী ১০গী মতম অসিদা থেংনবা খ্বাইদগী ঈংবশিংগী মনুংদা অমনি। ফ্লেগ করিয়র টর্কিশ গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখিবদা ৱেদরগী ফীভমনা মরম ওইদুনা থাংজ অমসুং নোংমাইজিং নুমীৎতা ইষ্টানবুল সিটিগী এসিয়ারোম থংবা শরুক্তা লৈরিবা সিটি অসিগী সবিহা গোকসেন এয়রপোর্টতগী পাইগদবা ফ্লাইট ৭৭ কেন্সেল তৌখি নৎত্রগা মতম থিন্থখি।

টর্কিশ ষ্টেট মেটিওরোলোজিকেল সর্ভিসেসকী মতুংইন্না ইষ্টানবুলদা লেন্দ ট্রাফিক্তসু অকায়বা চাউনা থোকখি। সিটি অসিগী মফম খরদা সেন্টিমিটর ২০ থানা উন তাখি। অঙ্করা সিটিদসু লম্বীশিং উন থানা কুপশিনখিদুনা ম্যুনিসিপাল রেস্ক্যু ট্রকশিং অমসুং ৱার্কর চা কয়ানা লেপ্তুনা হোৎনরবসু ট্রাফিক্তা চাউনা অকায়বা থোকখি। লৈবাক অসিগী নোংপোক অমসুং খা নোংপোক থংবা প্রোভিন্সশিংসু হৌখিবা নুমীৎ মঙানি অসিদা উন কা হেন্না তাখি।

লোকল ওথোরিটিশিংগী মতুংইন্না গজিয়নটেপ সিটিদা উন চেনবা নুংশিৎ শিৎচিল্লক্তুনা সিটি অসিগী মফম কয়া উননা পুমকুপ কুপশিনখি। মদু হৌখিবা চহী ৫০গী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবা ওইখি। লমদম অদুগী মরুওইবা সিটি ওইরিবা দিয়ারবাকিরসু উন থানা কুপশিনখিবদগী রোদ ট্রাফিক্তা অকায়বা থোকখি। অমরোমদা মতম শাংনা ঈকংগী ফীভম লৈরুরবা মতুংদা উন কা হেন্না তারক্লিবা অদুনা হায়দ্রো দামশিংদা কান্নহল্লগনি হায়রি।

# কোভিদকী অথিংবশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবা মীওই ৭০ ফাখ্রে




ব্রসেলস, জন্যুৱারী ২৪ (এজেন্সী): বেলজিয়ন গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিংগী মায়োক্তা ব্রসেলসতা মীয়ামগী প্রোটেষ্ট চথুরিঙৈদা মীওই ৭০ রোম ফাগৎখ্রে।

ওথোরিটিশিংগী মতুংইন্না মীওই লিশিং ৫০ রোম্না নোংমাইজিং নুমীৎতা চথুখিবা প্রোটেষ্ট মনুংদা পুলিসনা ৱাটর কেনন অমসুং টিয়ার গ্যাস কাপ্পুনা মীয়াম্বু তানখায়নবা হোৎনখি। এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, প্রোটেষ্ট ময়াই চল্লকপা মতমদা ঈরাং হৌবা মীওই কয়ানা শীজিন্নরবা কেনশিং, বেরিয়রশিং অমসুং অতৈ প্রোজেক্টাইলশিং লংবদগী পুলিসকা খুৎ থোক্লবগী ফীভম লাকখিবগা লোয়নননা পুলিস ওফিসরশিংনা ৱাটর কেননশিং অমসুং টিয়ার গ্যাস দিপ্লোয় তৌখি।

লোকল মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না খুৎ থোক্লবা অদুদা শোক্লবা পুলিস ওফিসর অহুম অমসুং ঈরাং হৌবা মীওই ১২ হোস্পিটালদা পুখৎখি। মীয়ামগী প্রোটেষ্ট অদুগী মতুং নোংমাইজিং নুমীৎকী নুমীদাংদা ৱা ঙাংখিবা প্রাইম মিনিষ্টর অলেজেন্দর দে ক্রূনা হায়খি মদুদি, বেলজিয়ন সোসাইটিনা কৈদৌঙৈদসু মথোং মরম খঙদবা ভাইওলেন্স য়াবা তৌরোই। ঙসিগী থৌদোকশিং অদু অৱাবগী মশকনি।

পুলিস পর্সনেল কয়া ভিক্টিম ওইহল্লিবা, ফিজিকেল এট্রেকশিং কনা অমত্তনা অচুম্বা থৌওংনি হায়বা য়ারোই। নিংথৌগী প্রোজিক্যুটরগা তান্নরগা ঐখোয়না মরাল লৈবা মীওইশিং খঙদোক্লবা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাংশিং লৌখৎকনি হায়না ব্রসেলসকী মেয়র ফিলিন ক্লোজনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

কোভিদ লাইচৎ লাকশিন্নবগী থৌরাংশিংগী মতাংদা অশেংবা পব্লিক দিবেট অমা চথহনবা পাল্লিবা ওর্গনাইজরশিং অদুনা অতৈ য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংদগী প্রোটেষ্টরশিংসু লাক্তুনা খোঙজং অদুদা য়াওশিন্নবা ইনভাইট তৌখি। মীয়াম মরক অদুদা দ্যটচ, পোলিশ, ফ্রেঞ্চ অমসুং রোমানিয়ন ফিরালশিং হাইবা উখি। বেলজিয়মদা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন মশীং লেপ্তুনা হেনগৎলকপদগী গভর্ণমেন্টনা পেন্দমিক অসি কয়াম্না লুরবগে হায়বদু লেপ্পনবা গভর্ণমেন্টনা কোরোনাভাইরস বেরোমেটর অমা লাউথোকখিবনি।